# জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেটকী নুপীমচাশিংনা রন্নর্স অপ তাহৌরে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা গৌৱাদা চখৎরকখিবা জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেটকী নুপীমচা টিমনা টামিল নাদুগী মখুৎতা মায়থিদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী রন্নর্স অপ তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৪দগী লাকপা টিমশিংনা গ্রুপ–৪ থোক্কুনা শরুক য়ারকখিবনি।

ঙসি গৌৱাগী দুলর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা টামিল নাদুনা ষ্টেটকী নুপীমচা টিমবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা ষ্টেটকী নুপীমচাশিংবু টামিল নাদু টিমনা লাকচনা খুদুম চন্না শান্নদুনা অহানবা হাল্ফ শান্নবদা গোল অহুম শান্নবগী ১৫, ২৮ অমসুং ৪৬ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা ৩–০ দা ষ্টেট টিমবু টামিল নাদুনা অহানবা হাল্ফ লিদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নখিবদা টিম অনীমক্না গোল অমমম স্কোর তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা টামিল নাদুনা মণিপুরবু ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

ষ্টেট টিম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ও লমঙাম্বীনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি ষ্টেটকী নুপীমচা টিমনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বীদা গ্রুপ–দিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপা ঙমখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হিমাচল প্রদেশপু ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অমুক সেমি ফাইনেলদা মীজেরামবু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ষ্টেট টিম অসিদা গোল কিপর ওইনা এসঐচ মোনিকা, এন খুসি অমসুং এন মোনিকানা শরুক য়ারি। অদুগা দিফেন্দরদা দব্লিউ কনচন, ৱাই পাকপী, সরিতা য়ুম্নাম, ঐচ পুস্পা, পিঐচ অসিলা অমসুং ৱাই জেনিতা নি।

মিট ফিল্ডরদা কেঐচ লক্ষমি, ৱাই লক্ষমি, য়ু পুস্পারানি, এল বেবিদোলি, ৱাই ইন্দিকা, এ নিলাম অমসুং ও লমঙাম্বীনি। অদুগা ফোৱার্দতা টিঐচ বেবিসনা, পিঐচ সনাথোকপী, মোইলুনসিয়ম অমসুং ঐচ বালেশ্বরি নি।

# স্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জেএন হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা থৌবালবু লাকচনা ১৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জেএন হোক্কি চহি ১৫ অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্ট ঙসি খুমন লম্পাক্কী এস্ত্রো তর্ফ হোক্কি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অহৌবা নুমিৎতা চহি ১৫ মখা নুপামচাগী পুল–এগী শান্নখিবা মেটচ অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌখিবা নোংচুপ ইম্ফাল স্কুল শগোলতোংবনা য়াম্না লাকচনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চরাংপাৎ হায়স্কুলবু গোল ১৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অদুগা চহি ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা পুল –এগী মেটচ অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী জৈ হিন্দ গভর্নমেন্ট হায়স্কুলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম হায়স্কুলবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা চহি –১৫ মখা নুপামচাগী কাংলুপ্তা টিম –৫, চহি ১৭ মখাগী নুপামচাগী কাংলুপ্তা টিম ৪ অমসুং চপ মান্নবা চহিগী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা টিম ৫না গ্রুপ ২।২ থোক্কুনা শরুক য়ারি।

চহি ১৪ মখা নুপামচাগী নোংচুপ ইম্ফাল স্কুল অমদি চরাংপাৎ হায়স্কুল অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নোংচুপ ইম্ফালগী এম নারিংকোনা শান্নবগী অহানবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং শান্নবগী মরিশুবা মিনটতা টি নিরাস সিংহনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

সুসিল কুমারনা শান্নবগী ৬, ১৪, ১৮, ৩০ অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা পুন্না গোল ৫ চনবা ঙমখি। এনজি থোইবনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা বেকেচন্দ্রনা শান্নবগী ১৯ অমসুং ২৩শুবা মিনটতা গোল অনী চনবা ঙমখি।

প্রবিন অমদি কেনেদিনা শান্নবগী ৪১ অমসুং ৪৫ শুবা মিনটতা নোংচুপ ইম্ফাল টিমগী ১১ অমসুং ১২ শুবা গোলশিং চনবা ঙমখিবনি।

কাংলুপ অসিগী হয়েং অয়ুক মেটচ অনী অদুগা নুংথিলদা মেটচ অমা শান্নরগনি।

অতোপ্পা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা চহি ১৭ মখা নুপীমচাগী মেটচ অমদা জৈ হিন্দ হায়স্কুলনা হিয়াংলম হায়স্কুলবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঐচ বিদ্যালক্ষমিনা শান্নবগী অহানবা মিনটতা অদুগা আর কে মুক্তাসনানা শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা অহানবা অমসুং অনীশুবা গোল চনখি।

টি দেবিকানা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অমসুং ঐচ সিলকিনা শান্নবগী ২৫ অমদি ২৮শুবা মিনটতা গোল অনী চনশিন্দুনা হিয়ংলম হায়স্কুলবু ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

কাংলুপ অসিগী ওইনা হয়েং মেটচ অহুম শান্নগনি। অদুগা চহি ১৭ মখা নুপামচাগী ওইনা সেপ্টেম্বর ২দগী শান্নবা হৌগনি।

# জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট সব–জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা আরৱাইসিনা ওরিয়েন্টেল ক্লবপু ৫–১দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব–জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফোর এন হারিচরন ট্রোফি ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচ অমদা আরৱাইসি রমগ্রাইজাংনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপারাবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি মায় পাকপগী গোলশিং অদু রমগাইখুৱানবা গোল ৩ অদুগা নিংদুৱানলুং অমসুং পৌরৈলুংনা শান্নবগী ৬৪ অমসুং ৬৭শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

রমগাইখুৱানগী অহানবা গোল অদু শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা মহাক্না অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩০ অমসুং ৩১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

ওরিয়েন্টেল ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা হাওপুনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী শান্নরোই ফারুখান রেফরিনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচ অসিদা ভি জ ৱেলনা সেন্ত্রেল রেফরি, ও বিসেশ্বর সিংহ অমসুং এল অনিলকুমার সিংহ অনীনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান এন্দ টু অদুগা কেঐচ নিলকমলনা ফোর্থ রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস জিরিবামগী সুপরিন্টেন্দেন্ট তিলোক সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজাকন্ত সিংহনা থৌরম মপু অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী দোন্নর এন সান্তি সিংহনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখৎরকপা ওইনা নুংথিল পুং ৩দা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচ অমদা মিরপু এফসি অমসুং লালপানি এসসি লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেট সব–জুনিয়র ৱুমেন্স বোক্সিং টিম মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
মহারাষ্ট্রগী সিটি নাগপুরদা সেপ্টেম্বর ২দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা সব–জুনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী শান্নরোই ১২ অমসুং ওফিসিয়েল ৩ পুন্না মীওই ১৫ না শাবা ষ্টেট টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী সব–জুনিয়র নুপীমচাগী টিম অদু অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর অমদি নেরোকা এফসিগী প্রসিদেন্টকী ফম পুরিবা টিঐচ অরুনকুমারনা তুলিহল এয়রপোর্টতগী লমথাখি।

ষ্টেট টিম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি– ইম্ফাল ইষ্টকী লাইশ্রম প্রিটি দেবী (৩৬ কেজি), হুদ্রোম গ্রিবিয়া দেবী (৪৮ কেজি), বিষ্ণুপুরদগী য়ুম্নাম ভেনিকা চনু (৩৮ কেজি), তোংব্রম সোফিয়া চনু (৪০ কেজি), থিয়াম অপশারা দেবী (৪২ কেজি), বিদ্যায়া মৈস্নাম (৪৬ কেজি), থৌবালদগী নিংথৌজম কলপানা দেবী (৪৪ কেজি), ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৱাংজম ইথোইবী চনু (৫০ কেজি), থোংঙাম কুঞ্জারানি দেবী (৫৪ কেজি), ক্ষেত্রিময়ুম সিলকি দেবী (৬০ কেজি), ককচিংদগী ইলাংবম থোইথোই চনু (৫২ কেজি) অমসুং চান্দেলদগী লাইশ্রম সুস্মিতা চনু (৫৭ কেজি) নি।

অদুগা ওফিসিয়েল অহুম অদুদি কেএসঐচ সরত সিংহনা টিম মেনেজর অদুগা এম শ্যামচন্দ্র সিংহ অমসুং এন চিতরঞ্জন সিংহ অনীনা কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেট ৱুমেন্স টিম শেম্নবা অম্ফানা অনীশুবা ফেজগী ওইনা শান্নরোই ৩০গী মমিং লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
ওরিসাগী কতক্তা সেপ্টেম্বর ১৮দগী হৌদুনা ওক্টোবর ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮–১৯ দা শরুক য়ানবা ষ্টেট ৱুমেন্স ফুটবোল টিম শেম্নবগীদমক ট্রাইয়েল কম কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা অনীশুবা ফেজগী ওইনা শান্নরোই ৩০গী মমিং লাওথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা ইএসয়ুগী ই পান্থোই চনু, মণিপুর পুলিসকী ও রোসনি দেবী অমসুং সোনি দেবী অদুগা ক্রিপ্সাগী এম লিন্থোইঙম্বী দেবীনি।

দিফেন্দরদা মণিপুর পুলিসকী এ রোমি দেবী, ইএসয়ুগী জি রধারানি দেবী, টিঐচ উমাপাটি দেবী, এজি স্বিটি দেবী অমসুং এম অচৌবী দেবী, ক্রিপ্সাগী এল মাধবী দেবী, দব্লিউ লিন্থোইঙম্বী দেবী অমসুং এসঐচ বান্তি শর্ম্মা, এনৱাইটিঐচসি গী দেবজানি দেবী, ৱাই দব্লিউ লংথবালগী কেএসঐচ নাওচা দেবী অমসুং পিঐচ বিনা দেবীনি।

মিদ ফিল্ডরদা–ক্রিপ্সাগী ৱাই চন্দ্রজিনি দেবী, এল অশারানি দেবী, ৱাই হেমোলাতা দেবী, টিঐচ কৈনা কুমারি দেবী, ইএসয়ুগী এম মন্দাকিনি দেবী, দব্লিউ রাঞ্জিবালা দেবী, মণিপুর পুলিসকী এস প্রমোদিনি দেবী অমসুং ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী সিঐচ বিনোমালা দেবীনি।

ষ্ট্রাইকরদা মণিপুর পুলিসকী এনজি বালা দেবী, ক্রিপ্সাগী দাংমৈ গ্রেস, এন রতনবালা দেবী, ই বিন্দিয়ারানি দেবী, ইএসয়ুগী আই প্রমেশ্বরি দেবী, কম্মিনা অমসুং ৱাইদব্লিসি লংথবালগী এস রিনারোই দেবীনি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা হয়েং সেপ্টেম্বর ১গী অয়ুক পুং ৭.৩০ দা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা মখোয়গী টিম মেনেজর অমদি কোচতা রিপোর্ট তৌদুনা মখাতানা ট্রেনিং চখনবা খঙহল্লক্লি।

# নিনিশুবা নুমিৎকী অহুমশুবা সেসন লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দদগী রন ১৬ হেন্দুনা চৎলি



সাউথমতন, ওগষ্ট ৩১ঃ
ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা টেষ্ট ক্রিকেট সেরিজকী মনুং চন্না ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা মরিশুবা টেষ্ট মেটচকী নিনিশুবা নুমিৎকী অহুমশুবা সেসন লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা রন ১৬ মাংজিল থারগা লৈরি।

মরিশুবা টেষ্ট সেরিজ অদুগী তোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৪৬ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। বেটচমেন ৬ রন ১০০ য়ৌদ্রিঙৈদা আউত ওইখি। ৭শুবা বেটচমেন মোইন আলি অমসুং ৮শুবা বেটচমেন শামকুরাননা ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখিবনি।

মোইন আলি বোল ৮৫ মায়োক্নবদা রন ৪০ লৌরমখি। অদুগা শামকুরানসু বোল ১৩৬ মায়োক্নবদা রন ৭৮ লৌদুনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ২৪৬ য়ৌরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংগী মাইকৈদগী জস্প্রিট বুমরানা ইংলেন্দগী ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। ইসান্ট শর্ম্মা, মোহদ শামি অমসুং রবিচন্দ্র আস্বিনসু ইংলেন্দগী ৱিকেট ২।২ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর হরদিক পান্দিয়াসু ইংলেন্দগী বেটচমেন অমা আউত তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস তৌরকপদা নিনিশুবা নুমিৎকী অহুমশুবা সেসন লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৬২ লৌরগা ইংলেন্দদগী রন ১৬ হেল্লগা লৈরি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু সিখর ধৱান অমসুং লোকেস রহুলনা হৌদোরকখি। ওপন্নর রহুল বোল ২৪ মায়োক্নবদা রন ১৯ লৌরম্লগা আউত ওইখি। ইকান কান্নদনা অতোপ্পা ওপন্নর সিখর ধৱানসু রন ২৩ খক লৌরম্লগা আউত ওইখিবদগী অনীশুবা ৱিকেট তুখিবদা ইন্দিয়াগী রন ৫০ ওইখি।

অহুমশুবা বেটচমেন ওইনা থোরকখিবা চিতেশ্বর পুজারা অমসুং মরিশুবা বেটচমেন কেপ্টেন ভিরাত কোহিলনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখাতানা শেমগৎলকখি। কেপ্টেন ভিরাত কোহলি বোল ৭১ মায়োক্নবদা রন ৪৬ লৌরম্লগা স্কোর বোর্দতা রন ১৪২ শুরকপদা আউত ওইখি।

অহুমশুবা বেটচমেন ওইনা থোরকখিবা চিতেশ্বর পুজরানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উত্তুনা বোল ২৩৯ মায়োক্নবদা আউত ওইদনা রন ১২১ লৌখি।

মখাতাবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটচমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমদবদগী অনীশুবা নুমিৎকী অহুমশুবা সেসন লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৬২ লৌরগা ইংলেন্দগী রন ১৬ হেল্লগা লৈরি।

# ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি সিষ্টেম চেম্পিয়ন লীগকী মথং সিজনদা হাপ্লগনি

লন্দন, ওগষ্ট ৩১ঃ
ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভিএআর) চেম্পিয়ন্স লীগকী মথংগী সিজনদা হাপ্লগনি হায়না য়ুরোপিয়ান সোক্কর গভর্নিং বোদিগী প্রসিদেন্ট এলেক্সেন্দর ফেরিনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই রুসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপদা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি সিষ্টেম অসি অহানবা ওইনা হাপখিবনি।

সিষ্টেম অসিগী মতেংনা শান্নখিবা মেটচশিং অদুদা শান্নরোইশিংনা অরোন–অথুপ কয়া তৌদুনা শান্নখিবশিং অদু খুদক্তা য়েংশিন্দুনা চপ চাবা দিসিজন পীহনবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী চহি –২৩ মখা ফুটবোল টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব রাইদান মেরি লাইওন্সপু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



সিদনি, ওগষ্ট ৩১ঃ
ইন্দিয়াগী নুপাগী চহি–২৩ মখা ফুটবোল টিমনা চৎলিবা ওষ্ট্রেলিয়া তুরগী মনুং চন্না ঙসি সিদনিদা লৈবা বেলেন্টাইন স্পোর্টস পার্কতা লৈবাক অদুগী ক্লব রাইদালমেরিগা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৪–০ দা মায় পাকখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়াগী চহি–২৩ মখা ফুটবোল টিম অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব রাইদালমেরি লাইওন্সনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়ানা খুদুম চন্দুনা শান্নবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক্ট অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সজিদ ধোতনা পীরকপা অশানবা পাস অমদা টিম মেট ফারুক চৌধারিনা বোল অদু নিংথিনা কল্লেক তৌরগা গোল তম্না কাওশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা ইন্দিয়ানা ১–০ দা মাংজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মতম খরা টিম অনীগী মাইকৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী চহি –২৩ মখা ফুটবোল টিমনা চখৎরকখিবা এটেক্ট অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ফরুক চৌধুরিনা পাঞ্জল ১গা চনশিল্লবা মতুং ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অনী মাংজিল থারবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক্ট হেন্না চখৎবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক্ট অমদা মনভির সিংহনা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব রাইদালমেরি লাইওন্সপু ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখিবা ঙমখি।

মিনট ৩ লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক্ট অমদা মনভির সিংহ না মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনদুনা ৪–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মাইকৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ইন্দিয়াগী চহি –২৩ মখা ফুটবোল টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফুটবোল ক্লব রাইদালমেরি লাইওন্সপু ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

চখৎরিবা তুর অসিদা ইন্দিয়ানা ফ্রেন্দলি মেটচ অহুম শান্নখিবদা মেটচ অনী মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী চহি–২৩ মখা ফুটবোল টিম অসিনা সাভ সুজুকি কপ ২০১৮ গী অহানবা মেটচতা শ্রীলঙ্কাগা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*